www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

Volume No: 50 Issue: 297 | IMPHAL, THURSDAY, OCTOBER 08, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | শগোলশেল, লাংবনগী ২৮ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

सत्यमेव जयते
Department of Telecommunications
Ministry of Communications
Government of India

কনেক্টিং ইন্দিয়া।
সেপ্পিং দ ফ্যুচর।

ইন্দিয়া মোবাইল কোংগ্রেস ২০২৬
চহীশিং 10



হৌদোকপিগদবা
শ্রী নরেন্দ্র মোদি
ইকায় খুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টর

৮ ওক্টোবর ২০২৬ | অয়ুক পুং ১০ঃ০০ | যশোভুমি, ন্যু দিল্লি

মালেম পূম্বদা য়ৌবা। পাক–শন্না শাফু পীবা

18,000+ ইন্টরনেসনেল দেলিগেটশিং
600+ ষ্টার্ট অপশিং অমসুং ইনোভেটরশিং
1,000+ গ্লোবেল থোট লিদরশিং
60,000+ sq.m+ এগজিবিসন অমসুং এক্সপিরিয়েন্স স্পেস
1,50,000+ শরুক য়াগনি হায়না পান্নরিবশিং

স্কেল ৱিদাউট বাউন্দরিজ
আই এম সি ২০২৬কী য়ুম্বী মরী

সৃষ্টি (অনৌবা হৌদোকপা অমসুং তুংগী টেক্নোলোজিশিং)
সম্বর্ধন (চাওখৎপা অমসুং মালেম পূম্বা য়ৌনা)
সশক্ত (দিজিটেল ইম্পৱারমেন্ট অমসুং পূন্নমক কোনশিনবা)
সুরক্ষা (থাজবা, চেকশিনবা অমসুং হান্নগী মওংদা কায়হন্দবা)

ইন্দিয়া মোবাইল কোংগ্রেসকী চহী তরা

স্বাদেশি ৪জি
এন্দ–টু–এন্দ ষ্টোক, ইন্দিয়াদা দিজাইন তৌবা অমসুং শাবা

লুপা কোটি ৫,০০০+
ফাইনান্সিয়েল ফ্রোদ রিস্ক ইন্দিগেটরগী খুত্থাংদা সাইবর ফ্রোদ মুত্থৎপা

কোটি ১০০+
ব্রোদবেন্দ কনেক্সন
মালেমগী অনিশুবা খ্বাইদগী চাওবা নেটৱার্ক

লাখ ৩৩
বেজ ত্রান্সিতরশিংনা মোবাইল সবস্ক্রাইবর কোটি ১৩০+ শন্নহনবা

শরুক য়ানবা রেজিষ্টার তৌ

ডি ডি ন্যুজ অমসুং মসিগী সোসিয়েল মেদিয়া চেনেলশিংনা লাইভ টেলিকাষ্ট

#IMC2026 | info@indiamobilecongress.com | www.indiamobilecongress.com

CBC 06201/13/0002/2627

# মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭, (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অমদি মসিগী চৎমিন্নরিবা ওল মণিপুর ৱুমেন’স ভোলুন্টরি এসোসিএসন, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পাইবী অপুনবা মণিপুর, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইট, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন হায়রিবা লুপ ৫গী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন, মৈরা পাইবী অপুনবা লুপ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, এন এ এম পি এ এল, দিষ্ট্রিক্ট অমাৱোভা বিষ্ণুপুর অমদি য়ু ভি এ সি ওগী থৌমীশিংনা মীয়ামগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়না লুপ ৫গী কনভেনর সঞ্জোয় সোরোকখাইবমনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়রি।

ঙসি চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মণিপুর মুথৎপা য়ারোই, ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইবা এন আর সি অপদেট তৌনবা অথুবদা মণিপুর লৈঙাক্লা ভারত লৈঙাক্তা তকশিনগদবনি, এস আই আর ২০২৬ চৎনহনবা য়ারোই, অথুবদা আই দি পি শিং ময়ুম মকৈদা হঞ্জিনহল্লু, ভারত লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক মণিপুর মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবা অসি খুদক্তা কোকহল্লু, রিমুভ আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিএল পৱার এক্ট ১৯৫৮ হায়বা অসি অপুনবা খোল্লাও লাওদুনা চথখি। ৱাকৎ মীফম অসিদা এস লৈরাংতোন চ্যেরমেন কোহর, লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্র সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অমুকো, এস সঞ্জোয় প্রসিদেন্ট অমুকো নচিংবনা ৱা ঙাংখি।

কোহরগী ভাইস চেয়রমেন এস লৈরাংতোননা হায়খিবদা, শাংলবা মতম মীয়াম অসি মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা ইহৌ কয়া হৌদুনা লাক্লি। অদুবু ইহৌ কয়া অসি তাবীবগী মহুৎতা হেন্ন-হেন্না মীয়াম্বু তংদু লৈতাদবা হেনগৎহল্লে। ঙসিদি কাঙলুপ মশেলগী লাল ওন্থোক্নুনা অমগা-অমগা মুক্কবগী লম্বীদা পুশিনবীরে। মশিং য়াম্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সিফাইশিংনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মমিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পোলিসি অসিনি। পোলিসি অসি মণিপুর মুথৎনবা হোৎনবনি। মসিবু চপ চানা থেংনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# অসাং কসার এন পি সি এমদগী রিজাইন...

*লমায় ৩গী মখা...* চেরোল অমনা হায়, কম্মিটি অসিগী কনভেনর ওইরম্বা অসাং কসার মশাগী পার্সনেল খূদোংচাদবা খরনা মরম ওইরগা কনভেনর ফমদগী রিজাইন তৌনবা চেরোল অমা থাজিল্লকখি। চেরোল অসিগী মতাংদা থা অসিগী ৫দা হোটেল ইম্ফালদা এগজিক্যুটি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মীওই ১০না শরুক য়াখি। কম্মিটি অসিগী কনভেনর ওইরম্বা অসাং কসারনা থাজিল্লকখিবা রেজিগনেসন লেট্টর অদু এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা খন্নরবা মতুংদা রিজাইন তৌবগী অয়াবা য়ুনিনমস ওইনা লৌখি।

অসাং কসারগী তুংগী পূন্সিদা নুংঙাই য়াইফবা অমদি মায় পাকপা ওইসনু হায়না কম্মিটি অসিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# মণিপুর ১দি মিজোরাম ফাওদুনা চঙলম্বী...

*লমায় ৩গী মখা...* অদু নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না ৱাহং পাউহং চথরগনি। ম্যান্মারদগী নুপী কয়া ইন্দিয়াদা পুশিল্লকপগী থবক তৌরিবা গ্রুপকী মীওইশিংনা মমাংদসু ফোরেন নুপী ৩ পুশিল্লকখি হায়বসু খঙবা ঙমখ্রে। ম্যান্মারদগী মণিপুর অমদি মিজোরাগী লম্বী ফাওদুনা চঙলক্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা থাবগী থবক চথরম্বনি। ফোরেন নুপীশিং অদু য়ুমগী থবক তৌনবা অমদি লৈশাবি ওইরগা ইন্দিয়া মচাশিংগা লুহোংবিবা অমদি লোন্না থুপ্না শেল পিরগা সিটিশিং অদুদা লৈহনবগী থবক চথরমগনি হায়বগী চাউনা চিংনবা লৈরে।

এজেন্সিশিংগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ম্যান্মার অমদি ফোরেন নুপীশিং অদু য়ু ঐচ আই দি কার্দ অমদি অতৈ অতোপ্পা দোক্যুমেন্টশিং শীজিন্নরগা ইন্দিয়াগী সিটিশিং অদুদা হান্নদগী ইন্দিয়াগী সিটিজেন্ট অমা ওইনা লৈরকখিবনি হায়না উৎনবা হোৎনবসু য়াওরে হায়বগী চিংননিংঙাই ওইবা খুদম চাংদম কয়াসু ফংখ্রে। উত্তর প্রদেশকী অলিগড়দগী গ্বালিয়রগী জি আর পিনা ফারবা ম্যান্মার লৈশাবি ৪ অদুগী মনুংদা লৈশাবি অনি অমদি রোহিংগ্যানি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। অদুবু ওফিসিএল ওইনা লাউথোরকপদি লৈত্রি। ইনভেষ্টিগেসন ফজনা চথবা লোইরবা মতুংদা ম্যান্মার মচাশিং অদু মশা-মশাগী ময়ূমদা হলহনখিনবা থৌরাং তৌগনি হায়রি।

# লৈঙাক্লা পীবা খুদোংচাবশিং খুঙ্গংগী মীয়ামদা...

*লমায় ৩গী মখা...* স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং খুঙ্গংগী মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংনা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিনা হীরম কয়াদা চৈথেং মায়োক্লহল্লি। অদুবু ষ্টেট অসিগী হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱারি শান্নদুনা কন্না হোৎনবদগী ইং তপ্পা খরমখৈদি হঞ্জিল্লকপগী মমি তারক্লি। ঐখোয়না ঙসি হীংলিবা লমদম অসি লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নদুনা শেল্লম্বনি হায়বসি নীংশিংমিন্নবা চুম্মী। পোজিটিব ওইবা ৱাখল্লোন্দা চঙশিন্দুনা খুন্নাই অসিবু অমুক হন্না মাঙলোমদা পুখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ইম্ফালদগী লাপথোকপা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা লৈঙাক্লা পীবা খূদোংচাবশিং মপুং ফানা ফংহন্নবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। লৈবাক অসিগী মফম শীনবা থুংনা চথরিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা অন্দ্রো এ সিগী মনুংদা থৌরম পাঙথোক্নুনা লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা লোইশঙশিংগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীবা অসিমক থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল থল্লদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার ডা. নিবেদিতা লাইরেনলাকপমনসু লৈঙাক্কী স্কিমশিংদা পীরিবা খুদোংচাবশিং মতম চানা মীয়াম্না লৌনবা হোৎনহৌবা চঙই। অমদি লোইশঙশিংনসু মীয়ামগী মতেং পাঙবা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়বা মরু ওইবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা থমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী এ দি এম এন জোন্সন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি কে সরতকুমার, বি জে পি ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট পি দিসেম্বর য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# মায় পাক্লক্লবা নহাশিংনা দিসিপ্লিন লৈনা...

*লমায় ৩গী মখা...*তোঙান-তোঙানবা লমদা মায় পাক্লক্লবা মীওইশিং তরান্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকাইদা লৈবা এম এল এ অসিগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ নিসিকান্তনা হায়, তোঙান-তোঙানবা লমদা মায় পাক্লক্লবা নহাশিংনা দিসিপ্লিন লৈনা খুন্নাই মীয়ামগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌবা চঙই। লমদম অসিবু মাঙ লোমদা পুখৎনবা হোৎনবদা কৈশামথোং এ সিগী মীয়াম্নসু ঙসি ফাওবদা অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। স্পোর্টস, ফিল্ম অমদি একাদেমিক্লচিংবা লমশিংদা এ সি অসিগী নহা ওইরিবা মীওইশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মায় পুরকপগীদমক ঙসি তরান্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকপা অসিমক অফবা খোঙথাংনি হায়না খল্লি। এ সি অসিদগী মায় পাক্লক্লবা মীওইশিং অসিনা তুংগী লম্বীদসু লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থৌদাং শোয়দনা লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা তরান্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রবশিং অদুদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা এম এস (ই এন টি)গী পোষ্টগ্রেজুয়েট এগজামিনেসনদা মকোক তারকখ্রবী ডা. মিনরাভা রাজকুমারী, জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পাহলগমদা পাঙথোকখিবা ৪শুবা নেসনেল সরিক সরাক চেম্পিয়নসিপতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী ব্রিন্দা লোংজম, ওল ইন্দিয়া সব জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৬তা ৩শুবা তারকখ্রবা এ সানন্দ লোইতোংবম, ৭২শুবা নেসনেল ফিল্ম এৱার্দকী ফিচর ফিল্ম কেটাগোরিদা জুরি মেম্বর ওইখিবা থোকচোম জিমি অমসুং জেমস খাঙগেম্বম, এম এ সি ইলেক্ট্রোক্সিতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা সনাথোইএলাংবমনি।

# খুদক্কী ওইবা মৈহৌ লাংপোকপশিং চপ ...

*লমায় ৩গী মখা...* দিরেক্টর নবচন্দ্রনা হায়, খুদক্কী ওইবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোকশিং চপ চানা থেংনন্নবা মণিপুর ফায়র সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মেন পৱারগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা য়াওনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

পোরোম্পাৎ, লিলোং, য়াইরিপোক, সাইকুল, লিটান, খুম্বোং অমদি হৈরোক্লচিংবা মফম ৭তা অনৌবা ফায়র ষ্টেসন শেমগৎতুনা মথৌ পাঙথোকহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপসু লৈরি। মসিদা নত্তনা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদা অতেনবা মতমগী মনুংদা থবক থৌরম পায়খৎপা ঙম্নবা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফায়র ষ্টেসন ২৬ হাংদোক্লবগী মতাংদা খন্নবসু লৈরি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ইম্ফালগী ফায়র ষ্টেসন কম হেদক্বার্টর অসি য়াওরগা পূন্না মথৌ পাঙথোকপা ফায়র ষ্টেসন ২২ ষ্টেট অসিদা লৈরি। হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা নম্বোল, তদুবী, লম্লাই, সেকমাই অমদি নোনেদা অনৌবা ফায়র সব ষ্টেসন ৫ হাংদোকখিবসু লৈখ্রে। য়ুম কুংনা তাবা অমদি লম্বী থোং চীনবগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা ফায়র সার্ভিসনা মথৌ পাঙথোকপদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসি পূন্নমক অসি মায়োক্লনবা হায়দুনা মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী মায়কৈদগী অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নবা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎপসু লৈরে। মসিদা নত্তনা সেন্ট্রেল লৈঙাক্তা ড্রোন পীথরক্লবা প্রোপোজেল থাঙ্গৎপা য়াওনা খোঙথাং কয়া দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলি।

অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া লৈরিবা অসিগী মতেং লৌদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু মৈহৌ লাংপোক্কী খূদোংথিবদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা দিপার্টমেন্ট অসিনা চপ চাবা থৌদাং লৌনবা হোৎনরি। মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোকশিং থেংনন্নবা হোৎনবদা ফায়র সার্ভিস খক্তা নত্তনা মীপুম খূদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। মরম অদুনা ম্যুনিসিপালিটি য়াওনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু মী কুংনা তাবা মফমশিংদা য়ুম কৈ শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলমদাইদা মথৌ তাবা সেফটি ইনফোর্মেসনশিং ময়েক শেংনা পীবা মরু ওই। ফায়র সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু অনা লায়েংশঙ অমদি মহৈশঙশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা ফায়র সেফটিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা এৱেয়ারনেসনচিংবা প্রোগ্রাম কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

কুমজা ২০২৫-২৬কী ওইনা মণিপুর ফায়র সার্ভিসনা ফায়র কোল ৩৯৭ অমদি ইমর্জেন্সি কোল ৪৫ রেস্পোন্স তৌখি। মতম চানা থবক লৌখৎপদগী চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৮১.৩৭ রোমগী লম-থুমশিংসু কনবা ঙমখি। মেন পৱার ৱাৎপা অমদি লম্বী-থোংগী ফিভম চাদবনা মরম ওইরগা মণিপুর ফায়র সার্ভিসনা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোকশিং মতম চানা থেংনন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অদুম ওইনমক মীয়ামগী য়াইফনবা দিপার্টমেন্ট অসিনা চপ চাবা থৌদাং লৌনবা লেপ্তুনা হোৎনগনি। ইমর্জেন্সি লাকপা মতমদা মীয়াম্না ফায়র সার্ভিসকী কনটেক্ট নম্বর ১১২, ১০১ অমদি মোবাইল নম্বর ৮৪১৫৯২৫২০০দা পাউ ফাওবিরকউ হায়খি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অদুদা মণিপুর ফায়র সার্ভিসকী সব ওফিসার কে ঐচ সুরচন্দ্র অমদি এস সাইলেস কুমারসু শরুক য়াখি।

# ব্রাইটর একাদেমিগী গোল্ডন জুব্লিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭, (এস এন এস)ঃ ব্রাইটর একাদেমিনা শাফোংলকখিবা চহী ৫০ শুরকপা গোল্ডন জুব্লি থৌরম পাঙথোক্তুনা একাদেমি অসিগী মশা অমা ওইরিবা খুম্বোংদা লৈরিবা ব্রাইটর একাদেমি, খুম্বোংনা চহীগী ওইবা স্পোর্টস মিট পাঙথোকখ্রে।

স্পোর্টস মিট হৌদোকপগী অহৌবা নুমিৎতা মহৈরোইশিংনা মাগী-মাগী ওইবা পানা শেমদুনা মার্চ পাস চৎপদা স্পোর্টস হৌদোকপগী মরু ওইবা থৌরম ওইখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ১ মণিপুর ইয়ার স্কাদ্রোন, এন সি সি, ইম্ফালগী ৱিং কমান্দর মুতুম সন্দিপ, ব্রাইটর একাদেমিগী ফাওন্দর শ্যাম সলাম, ব্রাইটর একাদেমিগী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল তোংব্রম কৃতি, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার, দেবান মোইরাংথেম, পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর এসঐচ সুরজাবলা দেবীসু শরুক য়াখি।

খুম্বোংদা লৈবা একাদেমি অসিগী ব্রাঞ্চতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ব্রাইটর একাদেমি, খুম্বোংগী প্রিন্সিপাল বেতি সলামনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী ৫০ অসিদা ব্রাইটর একাদেমনা অফবা মহৈরোই কয়া লেপ্তুনা পুথোক্তুনা মহৈ-মশিংগী লমদা খুন্নাই অসিগী অচৌবা ফিদা অমা কন্দুনা লাক্লি। মতম অমদা খুম্বোং ব্রাইটর অসি শোথরম্লবসু ঙসিদি ওজাশিংগী হোৎনজমননা ব্রাইটর একাদেমি ইম্ফালগী থাক্তা পুখৎতুনা হেন্না মশক থোকপা মহৈ-মশিং তম্বীবগী কাঙলোনশিং চথরি। মহৈশঙ অসিদা মহৈরোইশিংবু শুপ্নতগী মহৈমশিংখক তম্বীবগী মথক্তা স্কুল অসিদা এন সি সি য়ুনিট, এরোবিক য়ুনিট, যোগ, কলচরেল য়ুনিটনচিংবা হাংদোক্তুনা মহৈরোইশিংবু মশা-মঊ ফনা থন্নবা হোলিষ্টিক দিভেলপমেন্টকী থাক্তা শেমগৎনবা অৱাংবা থাক্তা হোৎনরি। লৈবাক অসিগী ওইনা চৎনরক্লিবা এন ই পি ২০২০ অসিগী কাঙলোন ঙাক্লা স্কুল অসিনা অফবা মহৈরোইশিং হেন্না-হেন্না পুথোক্লবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# সিঙ্গা অলটাফ লৈখিদবদা অৱাবা ...

*লমায় ৩গী মখা...* ইস্লামউদ্দিন অমসুং মেরি অনীগী মপারী ওইনা ১৯৯১গী মে ১১দা ফংজখি। নুংশিখ্রবা ইতাও অল্টাফ মহাক পার্টিদা কুমশিং ২০১৬তা য়াওরক্তুনা ২০১৬কী নবেম্বর ২৮দগী ২০১৭কী ফেব্রুৱারি ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা এম পি এগী ৪৩শুবা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং (বি এন টি)দা মায় পাক্লা শরুক য়াদুনা এস ই আর. নম্বর ২৪৫৪ ফংখি। মহাক বেজ এরিয়াদা ট্রেনিং লোয়রবা মতুং জি ঐচ ক্যুদা ২০১৮গী জানুৱারী ১৫দা ট্রান্সফর লাক্তুনা ঐচ ক্যু এসতা মতম খরা লান্মী শঙলূপনা শীন্নবা নীংতম লান্মী অমগী থৌদাং লৌখি। মদুগী মতুং হৌখিবা চহী ২০১৮গী দিসেম্বর ৭তা অখন্নবা থৌদাংগীদমক লান্মী অমা ওইনা বেজ এরিয়াগী বট্টালিয়ন ২৯১দা ট্রান্সফর অমুক হন্না চত্নুনা শাংখ্রবা চহী ৮ অসি বট্টালিয়ন অসিদা নন-কম্মিসন ওফিসর (এন সি ও) অমা ওইনা থৌদাং পুদুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ ৩নি অসিদা ইতাও অল্টাফ ঐখোয়গী মেদিকেল ষ্টাফশিংনা কন্না হোৎনদুনা লায়েংলগা লাকখিবনি। অদুবু বেজ এরিয়াগী খূদোংচাদবা ময়াম অসিনা মথৌ তাবা ট্রিটমেন্টগী মচাকশিং পীবা ঙমখিদবা অমসুং অনকপা মফমদা পব্লিক হোস্পিটালগী খূদোংচাবা লৈখিদবনা অরাপ্পা মফমদা ট্রিটমেন্ট পীনবগীদমক হোৎনরিঙৈ মতমদা ইতাও অসিগী অনাবা অসিনা হেঞ্জিল্লত্তুনা লৈখিদবনি। ইতাও অসিনা নীংতম লান্মী অমা ওইনা থেংনখিবা অৱাবা খূদোংচাদবা মীওইবা অমা ওইনা হিংনবা হোৎনবা খক্তদা মহৌশাগী খূদোংচাদবা কয়া থেংনখি। অসিগুম্বা লানফম ওইরবা জঙ্গলগী পূন্সি মরেল অসিদা চহী কয়া লেপ্পা লৈতনা ষ্ট্রগল তৌদুনা লাকখিবা ইতাও অসিগী থৌনা লিংজেলবু লান্মী শঙলূপনা অৱাংবা থাক্ত ইকায় খুন্নে।

ইতাও অল্টাফ য়াম্না নহা ওইনা মরৈবাক নীংবা ইরৈচা অমা ওইনা হৌরকখি অমসুং লৈবাক্কীদমক পার্টি অসিদা য়াওরক্তুনা লৈবাক্কী নীংতম লাম্বেং অসিদা থৱায় পান্মুবা লৈতনা কখোক্তুনা থৌদাং লৌরকখিবা লান্মী অমনি। মহাক মবুক তপ্পা, মথক থোংবনা তাকপী তম্বীবদা থৱায় য়াওনা তমশিনবা অমসুং হোৎনবা কনবা ইতাও অমনি। অসিগুম্বা নুংশিখিবা ইতাও অসিনা লৈখিদবা অসিদা মহাক্কী ইমুং মনুং অমসুং মরুপ মপাংশিংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা য়ু এন এল এফ অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ এম পি এনা থম্মোয় শোক্লা শরুক য়ারি হায়নসু মখা তারক্লি।

# ম্যান্ট্রাজ বিগ ফেসন ফেষ্টিভেল ...

*লমায় ৩গী মখা...*পাঙথোক্কদৌরিবা বি এফ এফ অসিদা ম্যান্ট্রাগী অখন্নবা ব্রান্দ ১৩,০০০ লোমসু লোঞ্চ তৌগনি। বি এফ এফ অসিদা পুথোক্কদৌরিবা ব্রান্দ ময়াম অসি সেলর গ্রোথ কনেক্ট তৌবা ঙন্নবা, টেক্নোলোজি অমদি নেসনৱাইদ ওইনা থবক পাঙথোকপা ঙন্নবা থৌরাংলকপনি। ফেষ্টিভেল অসিদা ইথনিক অমদি ৱেষ্টর্ন ৱেয়র, বিয়ুটি এন্দ পর্সনেল ক্যের, ৱাচেস, জ্বেলরি, স্পোর্টস ফুটৱিয়র অমদি হোম এন্দ লিভিংগী পোৎলম কয়া য়াওগনি। লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসিদা ওরেলিয়া, কালকি, মিয়া, টনিস্ক, লেভিজ, রিটু কুমার, ওনলি অমদি পেলমোনাসনচিংবা ব্রান্দ কয়াসু য়াওগনি। ইন্টরনেসনেল কোলাব্রোসেনগী ওইনা কেলভিন ক্লেন, সাদি সিঙ্ক এন্দ এ ই ওগা লোয়ননা সিদনি স্বিনি, এলোংসাইদকা লোয়ননা সিসলি, জুইসি কোচর অমদি কেলি কোস্মেটিকনচিংবসু য়াওগনি। ফেষ্টিভেল অসিগা ইরোইননা এম-নাউনা সিটি ১২ রোমদা মিনিট ৩০ দা দিলিভরি তৌনবগী খূদোংচাবা লৈহন্দুনা ব্রান্দ ১,৫০০ রোমগী ষ্টাইল লাক্ষ ১.৫ রোমগী ওফর পীগনি। লোয়ননা এ আই পৱর্দ টুলস য়াওনা মাই ফেসন জি পি টি, মাই ষ্টাইলিষ্ট অমদি সাইজ এন্দ ফিট ইন্টেলিজেন্সসু সপোর্ট তৌহনগনি। কম্পনি অসিনা সপ্লাই চেন, দিলিভরি অমদি কষ্টমর সর্ভিসকী খুত্থাংদা মীওই ২৬,০০০ লোমসু থবক পীরি হায়রি।

# জেনিমসকী ইশু খঙবা মীওইদা দিরেক্টরগী...

*লমায় ৩গী মখা...* ওথোরিটিদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। এসোসিয়েন অসিনা চহী অসিগী জুলাই ২২দসু হেল্থ কম্মিস্নারদা হীরম অসিগী মতাংদা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনবসু লৈখ্রবনি। অদুবু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হায়রিবা ৱাফম অসি ঙসি ফাওবা থৌশাদনা লাক্লি। জেনিমস মশক মুন্না খঙবা মীওই মরক্তগী দিরেক্টর খন্দুনা থৌদাং শীন্নবা হায়বসিনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ইশুশিং কোকহন্দুনা মীয়ামগী মতেং পাঙবদা চাওনা কান্নবা পীগদৌরিবনি। মদু নত্তদুনা পোলিটিকেলগী শান্নবুং অমগুম ইন্সটিট্যুট অসিবু মশক মুন্না খঙদবা মপান্দগী চঙলকপা মীওই অমনা দিরেক্টর ওইবা হায়বসিনা অশোকপদা থুম থাকচিনবগা পাঙ্খক ওইগনি। মসিনা খঙনা লৈঙাক্লা জেনিমসকী হৌজিক লৈরিবা ফেকলটি মেম্বরশিংগী মনুংদগী মতিক চাবা মীওই অমদা দিরেক্টরগী ফম অসি শীন্নগদবনি। মদু নত্রবদি এসোসিয়েসন অসিনা দিমোক্রেটিক ওইবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মদুদা থোক্লকপা অফা ফত্তগী তেকচাক পূম্বা মরী লৈনবশিংনা পুগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# মণিপুরদগী তোখায়বা য়ুনিয়ন টেরিটোরি...

*লমায় ৩গী মখা...* কিপজেন অমসুং এম পি পাওকাই হাওকিপ অনিনা হাইনা হুন্না পানখি। ১৯৬৭ গী জুন ২০ দা মণিপুর গেজেটতা পব্লিস তৌখ্রবা দি মণিপুর হিল এরিয়াজ (এক্ক্যুজিসন ওফ চিফ রাইট) এক্ট ১৯৬৭ গী প্রিন্ট কোপি পুন্নমক মাঙহনখি। এক্ট অসি মরুওইনা কুকিগী হেরিদিটরি চিফটেন্সিপ মুখৎপা য়াওনা চীংগী এরিয়াদা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট ১৯৬০ চৎনহনবনি। হন্দক্তা এক্ট অসি চৎনহন্নবা এম এম টি য়ুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা তক্করি।

কুমজা ১৯৬৭ দা মণিপুরদা লাকখিবা কুকি রিফ্যুজিশিং অদুগী মরি মখোং থিগৎপদা মখোয় পুন্নমক কুকি ব্যুরোক্রেট, কুকি পোলিটিসিয়ান খরনা মিনিষ্ট্রি ওফ রিহেবিলিটেসনগী ষ্টাফ খরগা লৌতুনরগা শেম্বা ফেক লেট্টর অমনা বর্মাদগী মণিপুরদা লাকপা ওইরম্লে। ফেক লেট্টর অদুদা য়াওরিবা অরানবা ৱারোলশিং শিজিন্নরগা কুকি পোলিটিসিয়ানশিংনা এমপি পাওকাই হাওকিপনা বর্মাদা খুন্দারিবা কুকি ফুরুপকী মীওইশিংবু মমিৎ থকহল্লগা মণিপুরদা খুন্দানবা থৌরাং শীনখি।

লুরিবা ৱাফমদি বর্মাদগী চঙলকখিবা কুকি রিফ্যুজি পুন্নমক শত্তাকচে অমত্তা য়াওরত্তবনা অশেংবা বর্মা রিপাত্রাইট নত্তে। অশেংবা রিপাত্রাইটতি রেঙ্গুনদা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসিনা পীবা ফোরেইনর রেজিস্ট্রেসন সার্টিফিকেট নৎত্রগা ইমর্জেন্সি সার্টিফিকেট পীগদবনি। অসিগুম্বা দোকুমেন্ট অসি পীদ্রগদি বর্মা রিপাত্রাইটশিংনা ইন্দিয়ান সিটিজন ফংবা য়াদে। লোয়ননা এসতি সার্টিফিকেটসু পীবা য়াদে। মরম অদুনা বর্মা রিপাত্রাইট ওইরবা ১৯৬৭ দা মণিপুরদা লাকখিবা কুকি ফেমিলি ১৫০০ অমসুং মখোয়গী চাদা নাওদাশিংদা ইন্দিয়ান সিটিজন্সিপ অমসুং এস টি সার্টিফিকেট পীবা অদু লোগী মিৎয়েংদা লাল্লি। মরম অদুনা কুকি ফেমিলি ১৫০০ দা পীখিবা এস টি সার্টিফিকেট কেন্সেল তৌবগা লোয়ননা মখোয়দা গভর্নমেন্টনা লেম্না পীখিবা লমশিং অদু রিকোভর তৌগদবনি। লোয়ননা লান্না লৌখিবা শেনফমশিং অদুসু রিকোভর তৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# তাদুবি উখ্রুল রোদ অথুবদা শেম্বিনবা ...

*লমায় ৩গী মখা...* লম্বী অসিগী ফীভম কা হেন্না ফৎতবনা মরম ওইরগা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা খুদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্লরে। এক্সিদেন্ট কয়া থোকহল্লে, মশিং য়াম্লবা গাড়ী কয়া য়াহন্দ্রে, কা হেন্না উফুল হৌরে। মসিনা মরম ওইরগা মীওইবগী হকচাংদসু চাউনা শোকহল্লে। নোংচুবা মতমদদি তাদুবি উখ্রুল লম্বী ফাওনবা ফাওবা ঙমহন্দ্রে।

লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবিনবা নেসনেল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সি এল) অইবা চেরোল কয়াসু পীশিনখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লম্বী শেমজিন শাজিনবগী থবক পায়খৎলকপা উদ্রি। মরম অদুনা পি দব্লিয়ু দি অমদি এন ঐচ আই দি সি এলনা লম্বী অসি ক্বালিটি লৈনা শেমজিনবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# লেংগ্বেজ ট্রান্সলেসন এপ্প ...

*লমায় ৩গী মখা...* লোঞ্চ তৌখ্রে। মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই আই আই টি মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ‘ইসান’ এপ্প লোঞ্চ তৌবগা মরী লৈননা আই আই আই টি মণিপুরগী ডাইরেক্তর কৃষ্ণন বাস্করনা হায়, এপ্প অসি এ আই পাৱর লেংগ্বেজ টেক্নোলোজি শীজিন্নবগী চাং হেনগৎনবগী পান্দমদা নেসনেল লেংগ্বেজ ট্রান্সলেসন মিসন বাসিনিগী মখাদা পুথোকপনি। প্রোজেক্ট অসি আই আই আই টি মণিপুরনা আই আই আই টি বোম্বে, হায়দ্রবাদ, গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিটি, এন আই টি সিলচর অমদি য়ুনিভর্সিটি ওফ নোর্থ বেঙ্গলগা খুৎশন্নদুনা চথবনি। প্রোজেক্ট অসিনা হায় ক্বালিটি বাই দাইরেক্সনেল মেছিন ট্রান্সলেসনগী থাক য়ৌনবা পান্দম থমদুনা ইংলিশ লোলদগী মণিপুরী, হিন্দিদগী মণিপুরী, ইংলিশতগী বোদো, ইংলিশতগী নেপালি অমদি অসামিজদগী বোদোনচিংবা লোলশিংদা ট্রান্সলেসন তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

প্রোজেক্ট অসিদা সেন্তেন্স পেয়র লাক্ষ ৩.৬০ হেন্না য়াওবগী মথক্তা এদভান্স ন্যুরেল মেছিন ট্রেন্সলেসন রিছোর্সশিং য়াওরি। এপ্প অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা এন্দ্রাইদ মোবাইলশিংদা শীজিন্নবা য়ারগনি অমদি আই ও এস ওপরেটিং সিষ্টেমগীসু য়ানবা হোৎনরি হায়খি।

# ফ্রি কোচিং কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭, (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন-মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল মহৈরোই লূপ অসিনা লেপ্পা লৈতনা চথরকপা ইহৈ তমসি, লৌশিং তানসি, লান্না লমজিংহল্লোইসি হায়বা পান্দমগী মনুং চন্না ৭শুবা থ্রি মন্থ ফ্রি রিভিজন কোচিং কোর্স ক্লাস টেন অমদি টয়েল্ভ (আর্টস / সাইন্স) ষ্ট্রিম অনী লাক্লিবা নবেম্বরগী ৫দগী হৌরগনি হায়রি।

মহৈরোই লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী লৈশেম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহৈরোই লূপ অসিগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিস ওইরিবা খা ইম্ফাল হায় স্কুলদা পাঙথোক্কদবা কোচিং অসিগী ফোর্ম লাক্লিবা ওক্তোবর ৮দগী থাবা হৌরগনি। কোচিং কেম্প অসিগী এপ্লিকেসন ফোর্ম ইরাবত ভাবনদা লৈবা মহৈরোই লূপ অসিগী হেদ ওফিস অমদি খা ইম্ফাল হায় স্কুলদগী অয়ুক্কী পুং ১০দগীনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা লুপা ২০০ পীরগা লৌরবা য়াগনি। মেনশিল্লবা ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতন্না লাক্লিবা ওক্তোবর ২৯দা দা ওইগনি হায়রি।

কোচিং অসি য়াওনবগীদমক এন্ট্রান্স টেষ্ট অমা নবেম্বর ৫ পাঙথোক্কনি। এন্ত্রান্স টেষ্ট অসি ক্লাস টেনগী ওইনা অয়ুক পুং ৯দগী ১১ ফাওবা অদুগা ক্লাস টুয়েল্বগী ওইনা নুংথিল পুং ১দগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি অদুগা এন্ট্রান্স টেষ্টকী রিজল্টনা নবেম্বর ৩গী নুংথিল পুং ৩দা লাউথোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# পিছ রেল্লি চৎতুনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৭, (এস এন এস)ঃ কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সি ঐচ সি) ৱাঙ্গৈইবু ফিভম মতমগা চুন্নবা মওংদা থমগদবনি হায়না পিছ রেল্লি অমা চৎলবা মতুং ৱাঙ্গৈই এ সিগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর এন্দ টুরিজমগী মিনিষ্টর খূরাইজম লোকেন অমদি ৱাঙ্গৈই সি ঐচ সি হোস্পিটালগী এম ও ইন-চার্জ ডা. তম্ফাদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

ৱাঙ্গৈই মখা লৈকাই কম্যুনিটি হোলদগী হৌরগা হোস্পিটাল ফাওবা ৱাই দি য়ু সি লৈকাইগী ক্লব ৫ অমদি জেমিয়েট কম্মিটি ৱাঙ্গৈই মুস্লিম মোডেল ক্লবকা খূৎশম্নরগা চৎখিবা পিছ রেল্লি অদুদা মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাই দি য়ু সি ক্লবকী প্রসিদেন্ট লোংজম অচৌবনা পাউমীশিংদা হায়, ৱাঙ্গৈই সি ঐচ সি অসি মরী লৈনবশিংনা পুং ২৪ ফাওবা মনুংদা ৱাৎলিবা খুদিংমক ফংহনগদবনি। মসি তাবীদবা তারবদি সি ঐচ সি অসিগী ইমরর্জেন্সি খক নত্তনা অতৈ থবক থৌরমশিং থিংজিল্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সঙাই ফোষ্টিভেল তৌগনি...

*লমায় ৩গী মখা...* তৌবদা মপুং ফানা শৌগৎনি।

তঙদু লৈতাবা লমদম অমা ওইদ্রঙৈ, ইংতপ্পা ষ্টেট অমগী মশক মালহল্লগা তম্পাক্কী মফম খরদা অকি-অমৌ তৌরগা টুরিজম চাওখৎপা মালহনবা অমদি মমাং চহী কয়াদগী চথরকপা সঙাই ফেষ্টিভেলগুম পাঙথোকপা মালহনবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনা টুরিজমগী অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী ওইনদি লৈবাক অসিগী অচৌবা লাইবক থিবা থৌওং অমনি। সঙাই ফেষ্টিভেল তৌবগী পান্দম লৈঙাক্কী ওইনা লৈবীরমগনি অদুবু ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা লৈবাক অসিগী তংদু লৈতাদ্রিবা ইরমদম অসিগীদমক করিকরম্বা চপ চাবা ফিরেপ লৈঙাক্লা লৌবা লৈখ্রবগে হায়বা ৱাহং লৈঙাক্তা হংলি। লোয়ননা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিবা অসিগী টুরিজমগী ওইবা মীৎয়েংদা মপুং ফানা হান্নগুম্না পাঙথোকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং খরা কিমাক্সনা হংলি। ৱাহংশিং অদুদি, মমাং-মমাংদা সঙাই ফেষ্টিভেলনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট-ষ্ট্রিক্টিশিংদা টুরিজমগী অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকখিবগুম সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৬ পাঙথোক্কদৌরিব্রা হায়না হংলক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সঙাই ফেষ্টিভেল তৌগনি হায়না লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌবগুম আই দি পি শিংবু ময়ুম-ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা অকনবা ৱারেপ লৈঙাক্লা লৌবীয়ু। মরু ওইনা চুরাচান্দপুর, মোরে, কাংপোকপীগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসি লৈঙাক্লা উবীরগা থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু। ইং-তপ্পা লৈবাক ওইনবা লৈবাক চুপ্পি পাইরিবশিংনা চপ চানা থম্মোয় শেংনা ফিরেপ লৌ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# লোক ভাবনদা ভোলুন্টরি ব্লদ ...

*লমায় ৩গী মখা...*পার্সোনেলশিং, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী মহৈরোইশিং য়াওনা পূন্না দোন্নর ১০০ রোন্না ঈ পীখি। গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ব্লদ দোনেস কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা দোন্নরশিংবু হকথেংননা উনদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক ঈ পীরিবশিংবু থাগৎপসু ফোঙদোকখি। ঈ পীবগী থৌরম অদুদা আই আর সি এসকী মীহুৎশিং, রিমসকী ওফিসিয়েলশিং অমদি মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

# ৱাকন হিল রেঞ্জদগী য়াম্লবা...

*লমায় ৩গী মখা...* অদুদি এস এল আর ১, কন্ত্রিমেদ এ কে ৪৭ রাইফল১, কন্ত্রিমেদ এম পি ৫ অমা, কন্ত্রিমেদ কর্বাইন ৪, পিষ্টোল ২, কন্ত্রিমেদ টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল ৪, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২৫, নম্বর ৩৬ ঐচ ই গ্রেনেদ ১, দিটোনেটর ১, ফ্রেগমেন্টেসন গ্রেনেদ ১, মোর্টার সেল ৩, অহাংবা মোর্টার সেল১, রেদিও সেট চার্জরশিং, এস এল আর বাইওনেট, ফ্লায়র রাউন্দ, হেলমেট, জেকেট অমদি বুটনচিংবনি।

নাকল অমরোমদা, ৱাঙ্গৈই পি এস অমদি সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সনা পুন্না চথখিবা সর্ছ ওপরেসন অমদা ৱাঙ্গৈই পি এসনা কোনবা বেঙ্ক ওফ ৱাইসেল রিভরদগী খূৎলায় খরসু ফংবা ঙমখ্রে। খূৎলায়শিং অদুদি ৭.৬৬ এম এম এস এল আর রাইফল ১, মেগজিন ১, এস বি বি এল ১, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৯ অমদি ৱায়রলেস ৩নি হায়রি।

# প্রিপাক্কা মরী লৈনদে...

*লমায় ৩গী মখা...* নুমিত্তা পাউচে অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা কোভর তৌদুনা য়াওরিবা মণিপুর পুলিসকী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবালগী অপুনবা সি দি ও টিম অমনা প্রিপাক্কী অনৌবা লান্মী রিক্রুইট তৌবদা চেন্নে হায়দুনা ফারে হায়রিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ময়াং ইম্ফাল থনা মমাঙ লৈকাইদগী লাইশ্রম বিসাল (২৯) এলাইজ নাওচা অপোকপা এল ব্রোজেন প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ)গা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মণিপুর পুলিসনা প্রিপাক্কা মরী লৈনৈ হায়না থোক্লিবা চেরোল অসি শেমজিন শাজিনবা য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি হায়রি।

# তমদা খক্তং লাওবনা ইং...

*লমায় ৩গী মখা...*মালেমগী থাক্তা মাঙজিল থানবা হোৎনবগী লম্বীদা পুন্না চঙশিনমিন্নসি। থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম পি অধিকারিময়ুম সরদা অমদি আর্টস এন্দ টুরিজমগী মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেনসু মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# শিরারখোং মোরোক মরাং কায়না...

*লমায় ৩গী মখা...* মরন্না লাংবল কৈথেল অসিদা ঙসিদগী ফম্বা হৌবনি। মোরোক অসি মণিপুরগী ৱাংমগী মফম কয়াদগী দিমান্দ লৈরবসু লম্বী ফত্তবা অমদি ইরাং অসিনা মরম ওইরগা চথোক চৎশিন তৌবদা রিস্ক লৈবা মরন্না লোক্লবা মোরোকশিং মার্কেট য়ৌবা ঙমদনা লৈরি হায়খি।

শিরারখোং হাথৈ প্রোমোসনেল সোসাইটিগী মেম্বর বারেকান জিমিকনা হায়, শিরারখোং খুল অসিদা য়ূম ৩০০ হেন্না তাবদা য়ূম ২৫০ রোম হেনবনা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা অতৈ মফমদা ফঙদবা হাথৈ হায়রিবা ওর্গানিক মোরোক মখল অসি থাদুনা ইমুং অমনা কে জি ৭০০ পুথোকপা ঙল্লি। মমাঙদদি মোরোক অসি ইম্ফাল তন্না পুরক্তুনা য়োল্লম্মী। ইম্ফালদগী মীওই কয়ানা লৈবা লাক্লম্মী। হান্না শিরারখোংদগী ইম্ফাল তন্না লাকপা মতমদা পুং ৩খক চঙলম্বা অদু ইরাং সিনা মরম ওইরগা লম্বী কোয়থোক্লা চৎপা মরন্না হৌজিক্তি পুং ৯ লোম চঙলে। লাংবন কৈথেল অসিদা মোরোক গারী ৩ (চাউরাক্লা কে জি ২৫০০) রোম য়োন্নবা পুরকপনি। খুলদা লোক্লবা অমদি লোক্ত্রিবা মোরোক কয়া অমসু লৈহৌরি হায়খি।

